# মার্চ ২২গী ইরেংবন্দ থোইবী বজারদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড ৱাটর দেগী থৌরম য়াওরুবদা

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

*নোং ও চুথরো/লাংজিং মতোন থুমহৎলো/পাশোয় নুরাবী তাউথরো/উনম পাখং খুঞ্জরো/কৌবা কৌনু নোংও/লোইজিং লোইয়া নোংও/ইরেং ইলম নোংও/ৱাংব্রেন খানা চাউবা নোংও/শম্বুম মহারাবা নোংও/চীংখৈ নোংপোক নোংও/খুনফম ঙাংজেং নোংও/হাওকপ চীংশাং নোংও/লৈরী নোংলী হৌরো/লৈখোং নোংখোং নেমমো/কোরৌ খোংদুম খোংলকও/মালেম লৈরুরুগ্বী লুমখৎলমও/লাইজ ইথাবী লংথবীরকও/লাইজ ঈখাইবা খাইথবীরকও*

ঈশৈ শৈরোলসে কয়াগী মতিক ফজখ্রবা! তাইবঙ থৱায় ওইরিবা লাইজ ঈশিংগী মতিক ময়াইবু খঙলবা লাইওইখ্রবশিংনা শৈথাবীরম্বনি নোং মানা তান হেক হেক কায়রকপা মতমদা। খৌগংলবা মালেমগী খৌরাংবা কোক্লনবা পান্বেনি। নোংলাউ ঈশৈ অসি তাবদা অতিয়াসু নোংসু খাঙদুনা লৈথোক্কে লৈঙমদে। পূম্নমক্কী খৌরাংবা কোকহনবী। তাইবঙপানবদা লৈরিবা মীওইবদগী হৌদুনা শা-উচেক, উপান-ৱাপান, চীং-পাৎ, তু-খোং, লৌবুক-লম্ফাংনচিংববু হরাউ মথোই কানা নুংঙাই ঈশৈ শক্তুনা ঈথক ঈপোম হৌই। লাইজ ঈশিং য়াওদনা কনানো হিংবা ঙমগদবা? লাইওইখ্রবা ইপা ইপুশিংনা ঈশিং ৱাত্তনবা অশেংবা অরুবা ঈশিং ফংহন্নবা থৌরাং কয়া লৌখৎলম্মী। মৈদিংঙু তাউথিংমাং অমদি ময়াম্বুং য়োইমোংবনা তুরেল তেংখিবগী ৱারী পুৱারীগী চেনাদা মুৎনাইদবা ময়েক্লা ইদুনা লৈরি। মৈদিংঙু খুঞ্জাওবগী হাক্তক্তা নম্বুল তুরেল তেংখিবনি। ঐখোয়গী থাজনবীদা পুখ্রি, তুরেল, পাৎ ওইনীংবা ওইজসনু, লাইজ ঈশিং লৈবা মফম পূম্নমক লাইরেম্মা ইরাইলৈমগী মশাইকোননি, অমাং অশোয় তৌশিনবনচিংবা থবক তৌহৈদে। তরূ তরূবা ঈশিং ওইহন্নবা পাউজেলনি।

ককচীং, ইরেংবন্দ, লাংমৈদোং লাইমনাই খুন্দা চেল্লিবা ইরুম তুরেলগী মশাগী ওইবা পুৱারী লৈজৈ, থাজনবী ৱারীসু লৈ। লাংমৈদোং লাইমনাইগী ইরুম তুরেলদা শাৎপা থরো থম্বাল হেক্লিংই হায়দুনা পঙহেক হেকপা তৌহৈদে হায়নৈ। ককচীংগী ইরুম তুরেল মথক্তা শাবা থোং লানবদা লাইবক কত্তুনা খুরুম্নে, ঈশিংদা শেল লংথদুনা কৎলি। অমাং অশোয় তৌশিনবা মপান-ইপান থোকচিনবা তৌহৈদে থাজনৈ। হৈরেম লমঙাকপা খুঞ্জান লমসেনবা লাইনিংথৌ ইরুম নিংথৌনা কোল্লিবা ইরুম তুরেলনি। হান্না য়েকশোয়পাৎ কৌরম্বদগী লাইনিংথৌনা কোনশিনবা মফম ওইখিবনা মাগী খুভম লৈবা মফম্বু ইরুমপাৎ কৌখিবগী থাজ ৱারীসু লৈ। অসিগুম্লবা শেংলবা লাইফল্লেন ওইরিবা ইরুম তুরেলগী শক্তম হোংলকপা হায়বসি মসিগা ইরোয়নদুনা চহী চা কয়া লৈমিন্নরক্লবা খুঞ্জাশিংগীদি মাঙজবা ঙাক্তনি।





হৌখিবা মার্চ ২২দা ৱর্ল্ড ৱাটর দেগা মরী লৈনবা থৌরম অমা য়াওবগী খুদোংচাবা ফংজখি। ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ইরেংবন্দ খুনগী ইরুম তুরেন মপান্দা লৈবা থোইবী বজারদা পাঙথোকপা থৌরমনি। তাইবঙ থৱায় পূম্নমকপু নাউয়োক-নাউকোনবীরিবা ঈশিং, নুংশিৎ শেংহন্নবা খোঙহৌনিবু হায়রবদি ৱারে কৌবদা শোঞ্জখ্ররোই, চরী তৎলবসু তৎনা, মায় কাথেক্লবসু কাথেকচসনু কৈদৌএগে মালেম ইমাবু কন্দবা য়াদে হায়দুনা চোকথবা নাইদনা চেন চোংলিবা ইপ্পা ক্ষেত্রিময়ূম সুরজিৎ, সেক্রেটরি অদাম ককচীংনা হায়রক্তুনা য়াওরুবনি। লাইনিংথৌ ইরুম নিংথৌগা শাগোন্নদুনা লৈরিবা, ককচীং, ইরেংবন্দ, লাংমৈদোং লাইমনাই য়ৌনা শন্দোক্লিবা ইরুম তুরেনবু লূনা নান্না থম্নবা পান্দমগা লোয়নবা থৌরমনি। অদাম ককচীং, থোইবীপাৎ য়ুথ প্রোগ্রেসিভ এসোসিএসন সোরা মনীং, ওল ইরেংবন্দ ফুটবোল এসোসিএসন, সন্দে ইকো ক্লব ইরেংবন্দ, য়ুথ ক্লব সোরা, ভি দক্ল্য এস সী ওফ পল্লেন সোরা ইরেংবন্দ বিজয়পুর হায়রিবশিং অসিনা খূৎশম্নদুনা পাঙথোকপা শীংথাবা য়াবা থৌরমনি। থাঙ্গৈশেংনমক হায়রবদা অয়ূক্কী থৌরম অদু অচম্বা থৌরমনি হায়না লৌবা য়ারোই। ঙসি অমদি হয়েংগী মীরোলশিংবু কন্ননবা মপাঙ্গল কল্লবা খোঙহৌ অমনি। সোরা পুখ্রি অচৌবদা উ পান্বী থারবা মতুংদা নহা ওইরিবা মীওই কয়ানা মপূং ওইনা শরুক য়াবা সাইকল রেল্লি ককচীং জিলা পরিষদকী উপ-অধক্ষ এম দি নাজিমউদ্দিন্না লমথাখি। উ থাসি উ হিংহনসি, ঐখোয়বু নাউয়োকপীরিবা পাৎ তুরেলশিংবু তরূ তরূনা শেংনা থমদুনা অশেংবা ঈশিং ফংহনসি হায়বগী পাউজেল পুবা খোঙচৎনি। তুংগী মীরোলগীদমক থৌনা ফনা চোঙথোরক্লিবা ইচঙ থৌরবা লান্মী ঙাক্তনি। মহৌশাগী খল কায়থরক্লিবা অমদি নুংশিৎ-নুংশাগী অহোংবা ফীভম অমদি মসিনা পীরিবা অকিবা চৈথেং কয়া অসিগী মায়োক্তা হৌরকখিবা ঈহৌ অমনি হায়না লৌবসু য়াই।

য়াম্নসু নুংশিবা অদুগা হায়ফম তম্ফম খঙদবমখৈ নুংশিখিবদি ইরেংবন্দ খুনগী খ্বাইদগী অহল ওইরবী অবোক লৈমা (৯৯) না ***উ থাসি উ হিংহনসি***হায়বা থিমদা উ থাবগী থৌরম অমদি থবক ইরুম তুরেন মপান্দা হৌদোকখিবদুনি। মদুগা লোয়ননা ইরেংবন্দ খুন্দা লৈবা ইপা ইপলশিংগী মরক্তা খ্বাইদগী অহল ওইরবা পাবুং ওক্রম নিমাই (৮৮) সু মশামক্লা উ থাদুনা থৌরম অদুবু মপূং ফাহনবদা মরু ওইবা থৌদাং লৌখি। লমদম অসিগী চনুরা ইন্টরনেসনল ফুটবোল শান্নরোয় এম লিম্থোইঙম্বীগা লোয়ননা শরুক য়ামিন্নবা ফংবগী তাঞ্জা অদু কয়াদা মমল য়ামখ্রবনো। মসিনসু লোইদে য়াওশঙ কুম্মৈ য়াওগে হায়বা খন্দবমখৈ অঙাং পিশক কয়াসু থোরক্তুনা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবদু য়াম্না নুংশিবা মতৌ অমা ওইখিবনি। ইমেজ টি ভি ককচীংগী চীফ এদিটর তামো উত্তমকুমার নাওরেম্না ঈশিংবু কঞ্জর্ব তৌদুনা থম্বদা মীদিয়া অমদি খুঞ্জাশিংনা করি থৌদাং লৌফম থোকই হায়না থম্বীখিবদু য়াম্না মরু ওইবা ৱাফমনি। ঈশিংগী অৱাৎপা লৈত্রবা মালেমসিদা ঐখোয় মীওইবনা ৱাখল খন্থবা ৱাৎপদগী মওং মরীল তাদবা থৌওং কয়া চত্থরকপনা মরম ওইদুনা অফবা শীজিন্নবা য়াবা ঈশিং ফংলক্তবগী অৱাবা মায়োক্লরকপদা হান্না আই টি বি পিগী এসিষ্টেন্ট কম্মান্দেন্ট ওইবীরম্বা হৌজিক্লা জিরি কোলেজগী এসোসিএট প্রোফেসর নুরসাফি খাননা নুংনাংবা ফোঙদোকখি। সুরজিৎকী ৱাদি হায়রুদুনা কৈদৌনি, তাইবঙদগী হেন্দোক্তুনা মমঙ মহাদসু উপান ৱাপান থাবনে, পাৎ তুরেল শেংদোকপনে মীকুপ অমা ফাওবা পোত্থাবা ফংলম্লরোই খল্লি। ঐনা চাউথোকচবা ফাওখিবদি ককচীংগী ইপ্পা সুরজিৎখক নত্তনা সোরা ইরেংবন্দনচিংবা খুল্লোন্নবা কয়াদগীসু মহৌশা লাইরেম্বী ইমাগী খোঙচৎ কায়হনখিবা য়ারোই, ইরুম তুরেল কলহৌসি হায়বা ৱাশক্কা লোয়ননা থৌনা ফবা-ফবী কয়া চোঙথোরকখিবদুনি। মখোয়গুম্বা কয়া লৈরিঙৈদবু পুৱারী অমদি ফোকলোরগা শাগোন্নদুনা লৈরিবা ইরুম তুরেলগী অশেংবা শক্তম মাঙখিবা ওইথোক্তে। ইরেংবন্দ খুল্লক ফাওদুনা চেল্লিবা ইরুম তুরেলদা ঙানু তাহন্দনবা, ফিশু-ফিজাম, ইরু-মায়থজবা, কোনফেং-কোঞ্জাম্নচিংবা তৌশিন্দনবা খুঞ্জাশিংনা ৱারেপ্নহৌরে হায়বা থাজবসি পুরদুনা হল্লকখি। ●

# মণিপুরী সিনেমাদা শিন্মীশিংগী মরাইবক

- এ প্রেমকুমার -

থোইদোক হেন্দোক্লা মণিপুর ইনাক কৈরাক খুনবা ষ্টেট অমা নত্তবনা ফিল্ম ইন্দষ্ট্রিদা থবক তৌরিবা খুদিংমক য়াম্না ৱাত্ত-পাদবা হায়বদু ওইদে। মসি মসিমক সিনে ইক্বিপমেন্ট হেন্দলরশিংগী খ্বাইদগী লাইবক থীবনি। হেন্না লাইবক থীগদৌরিবনা লৈঙাক্কী, লমদমসিগী লম্সিদা থোইদোক হেন্দোক্লা খঙ হৈরবা ফিল্মবু চাওখৎহন্নবনি হায়দুনা ৱাঙুলোন শুবীরিবশিংনা ষ্টেট অসিগী ফিল্ম পোলিসি শেন্বীবদা সিনে ইক্বিপমেন্ট হেন্দলরশিংগী মশক থোকপা থবক থৌরমশিং ময়েক লানা পনবিরমদবা অসিনি। লম্সিদদি মসিগী ফিল্মগী ৱাঙুলোন শুবশিংনা মখোয়বু (সিনে ইক্বিপমেন্ট হেন্দলর) শিংবু পংনুং নুংশিবীবগী মমি তাবা উদবা অসিসু হিংননবগী লানফমদা মতমসিগা চান্নদ্রবা খূৎশু খূৎলায়শিং (ফিল্ম অমা পুথোকপদা চঙলিবা) শীজিন্নদুনা অকি-অখং অমফাও য়াওজদবা খুন্নাইশিংগীদমক্তা কৎথোকপা অমগা লোয়ননা খ্বাইদগী অতাবা খূৎশুমলদা ইন্দষ্ট্রি অসিদা থবক শুজরিবা অমদি ওইরক্লিবা মওং অসিনা পামজ-পামজনা শীনফম অসি তঙাইফদনা থাদোক্তবা য়ারক্তবগী তানফম অদু ওইরক্লিবনি।

নীংশিংবীবা য়াই, মালেম থাক্কী চাংদম্নবা কয়াদা লমদম অসিদগী পুথোকখিবা ফিল্ম কয়ানা মকোক মথং কয়া তাদুনা থোইদোক হেন্দোকপা মনা মথুম য়াম্না ফংনখ্রে, লাইবক থীবদি ঐখোয়গী খুন্নাইনা অমদি ফিল্মগী লম্সিদা থবক তৌবিবা ৱাঙুলোন শুবশিংনা মণিপুরী ফিল্মবু চাওখৎহন্ননবা পোলিসি শেম্বীবা মতমদা ফিল্মশিং অদু পুথোকখিবা মতমদুদা মথৌ নিংথিজনা পাঙথোক্তুনা ফিল্ম অদুবু মপূং ফাহন্দুনা মনা কয়া ফংহনবদা খ্বাইদগী কূপ্পা থৌদাং লৌখিবা ঐখোয়গী সিনে হেন্দলরশিংসু মমিং ফাওবা পনবীবগী মহুত্তা লৈঙাক্কী পোলিসি শেম্বদা মখোয়গীদক্তনি হায়বগী চেহাপ অমফাও হাপ্পীরমদবা হায়বসিদি মপূং ফাদ্রবা পোলিসি ওইগনি হায়রোইদবগী মরম লৈতে।

মালেমগী হোংলক্লিবা খোঙচৎ, নোংমা কাংদনা চাওখৎপগী চৈথেংনা মখল মথেলগী কম্প্যুটরগী মতম খোঙচৎ অসিদা ঙসি লম্সিদা থবক তৌজরিবা শিন্মীশিংনা মতমগা চুনদ্রবা খূৎশু খূৎলায়শিং শীজিন্নদুনা নোংজু নুংশা মরক্তা হোৎনজদুনা ঙসি মালেম ফম্বাকথক্তা মণিপুরী সিনেমাবু পুথোকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। অদুবু ঙসিদি মতমগী খোঙলৈ মতুংইন্না মশা মরোমদোম হিংনবগী লানফমদা শিনফম অসি থাদোক্লবগী তাঞ্জা লাক্লে হায়জনীংই।

<u>তৌহন্নীংবশিং</u>

ঙসি ষ্টেটসিগী ফিল্ম পোলিসিদা সিনে ইক্বিপমেন্ট হেন্দলরশিংগী ওইবা পন্দুপ অমা অথুবদা এমেন্দমেন্ট তৌবগী তঙাইফদবা লৈরগনি। লমদমসিগী অমত্তা ঙাইরবা মণিপুর ফিল্মগী মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভেলপমেন্ট সোসাইটি (এম এস এফ দি এস) না লোয়ননা শিন্মীশিংগী য়াইফনবা লৈরিবা লোইশঙ লেবর দিপার্টমেন্ট, রেট চার্ট (খূৎশুমলগী মমল) লেপ্পীদুনা হেন্না খুদোংচানবা লেপ্পীগদবনি। মপান লমদগী লাকপা ফিল্মগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা ষ্টেটশিংদা ফিল্ম নম্বা লাকপা য়ুনিয়নগা পাউ হান্না ফাওনহন্নবা শিনবীগদবনি।

সেন্ত্রেল ৱেজ কোর্ট মপূং ফানা চৎনহনবীগদবনি। ফিল্ম পুথোক্লবা থবক তৌরকপদা য়ুনিয়নদা লোয়ননা শিন্মীশিংগা কন্ত্রেক্ট এগ্রিমেন্ট খূৎয়েক পীনবগী তঙাইফদবা লৈগনি।

শিন্মীশিংদা মরু ওইবা ফংগদবা সোসল সিক্যুরিটিগী খুদোংচাবশিং, পেন্সন, অৱা অনা তাবদা মতেং ফংহনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংহনবীনবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈরে। ●


## ꯃꯥꯡꯈꯔꯦ / DOCUMENT LOST

I have lost my Original Admit Card, Marksheet and Certificate of (1) Class X Examination, 2009 bearing Roll no. 11676 issued by BOSEM, (2) Class XII Examination, 2011 bearing Roll no. 22236 issued by COHSEM and (3) B.A. (Honours) 6th Semester Examination, 2014 bearing Roll no. 1201560 issued by Manipur University on the way between my residence and Babupara, Imphal on 2nd April 2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Maimom Thoibi Devi**
Khoyathong Polem Leikai
HL-P/2158/5

## ꯃꯥꯡꯈꯔꯦ / SMART CARD LOST

I have lost my Marksheet of Class XII Examination (Sc.), 2019 bearing Roll no. 27890 issued by COHSEM on the way between Nambol and Babupara on 28/01/2022. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/- **Krishnakumar Oinam**
# 9366377830
HL-P/2151/5

## ꯆꯍꯤꯒꯤ ꯗꯁꯥ ꯌꯦꯡꯖꯔꯤ / CHAHIGI DASHA YENGJARI



Apaiba dasha, Yeknaba, Lainatinna, Thabak-Karbar, Mahei-Mashin, Awangba Pariksha, Shel-Thum Putthaba, Yum-Ingkhol, Lou, Yumbal, Nupi-Angang, Macha Yaodaba, Haina-Tannaba Indaba, Nishada Laichuba, Paknaba Gari, Lucky Stone nachingba, Khubak Mayi amadi Kuthidagi Kupthana Yengjari. Lakpa Ngamdabasingi Online dasu yengjari.

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra (International Renown Astrologer)**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, # 9077188456
HL-P/1841/6/3-7/4 (alt)

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, IMPHAL WEST, HIYANGTHANG

**Ref. : Mut. Case No. 135 of 2022**
Thoudam Priyojit Singh S/o (L) Inaobi Singh of Langthabal Lep Awang Leikai.
-Vs-
(L) Thoudam Inaobi Singh S/o (L) Ibotombi Singh of Langthabal Lep.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
Dated/Hiyangthang, the 31st March, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 Petitioner গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং 76-Langthabal Lep পাট্টা নং ... (অরিবা) 850 (অনৌবা)গী হাল দাগ নং ... (অরিবা) 466 (অনৌবা)গী এরিয়া 0.10 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার/Pattadar অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী দংকারি অসিনা মমিংদা নমজরি তৌবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা মরী লৈনবা য়েৎনিংবা মীওইশিংনা লাক্লিবা তাং 12/04/2022 ইং, ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা লাক্তুনা নৎত্রগা অইবা চেরোলনা আপত্তি/Objection তৌবা য়াগনি। পীরিবা মতম অসিদগী হেল্লবদি মখা তাবা ৱাকৎ তাদনা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Hiyangthang
HL-P/2150/5

## THE IMPHAL URBAN COOPERATIVE BANK LTD.
**Administrative Office, M.G. Avenue, Imphal**

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
**Imphal, the 4th April, 2022**

**No. IUCB/3(a)/2022-23:** As decided by the Board of Directors of the Bank, the President and Vice-President of the Bank will be elected by secret voting on Wednesday, the 6th April 2022 at 10.00 A.M. at the G.M. Hall Imphal. Hence, all the Delegates of the Bank for the term 2017-2018 to 2021-2022 are requested to attend in time (Identity Cards issued by the Bank should be accompanied with)

By Order of the Administrator,
**H. Meghachandra Sharma**
Asst. General Manager
HL-P/2155/5

## No. 1/RO/Election/IUCB/2017
## OFFICE OF THE RETURNING OFFICER TO THE ELECTION OF DELEGATES AND BOARD OF DIRECTORS OF THE IMPHAL URBAN COOPERATIVE BANK LTD. M.G.AVENUE, IMPHAL

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
**Imphal, the 4th April, 2022**

**No.1/RO/Election/IUCB/2017:** It is hereby notified that the Boad of Directors, Imphal Urban Co-Operative Bank Ltd., unanimously decided to hold the election of the President and the Vice-President of the Board of Directors of the said Bank by secret voting will be held on 06th April, 2022 from 10.00 A.M. to 3.00 P.M. at G.M. Hall, Imphal.

Counting of vote will be held at the same day at the same venue after casting of vote.

Sd/- **T. Pradwipkumar Singh**
Returning Officer,
Election to the Delegates and Board of Directors of the Imphal Urban Coop. Bank Ltd
HL-P/2155/5

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG

**Ref. Mutation Case No. 71/SDC/M dt. 4/4/2022**
Ningthoujam Memota Devi D/o Late Ningthoujam Munal Singh of Keibul Lamjao Makha Leikai.
-Vs-
Late Ningthoujam Munal Singh S/o Late Ningthoujam Tamphajao Singh of Keibul Lamjao Makha Leikai.

ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE
Moirang, the 4th April, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং ৬৫-থাঙ্গদা লৈবা পাট্টা নং ৮৫৬ অরিবা ২৬২/১৭২০ অনৌবা সী এস দাগকী নং ৮০৪০/৮৩৪৫, ৮০৩৯/৮৩৪৪, অমসুং ৮০৩৮/৮৩৪৩ এরিয়া ০.৩৫, ০.২০, অমসুং ০.২৮ = ০.৮৩ একর অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মিংদা লৈবা লম অসি ইমুং-মনুং মচানা (নমা) মিং ওনবীরো হায়না উক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা অপত্তি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপত্তি লৌজরোই। উক্তা কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না মখা কেস চত্থগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Moirang
HL-P/2152/5

## ꯈꯣꯡꯅꯥꯡ ꯊꯥꯞꯄ / ঐখোয়বু নুংশিবীয়ু চানবীয়ু

ঙসি তাং ৪/৪/২০২২ ইং, নিংথৌকাবা নুমিৎতা মতম শাংনা পন্দুনা লৈরম্বা I.U.C.B. গী বোর্দ ওফ ডাইরেক্টর ১২গী ইলেক্সনগী ফল হায়দোরকপবু অসুক্কী মতিক নুংঙাইবা ফাওজৈ মথৌ মশক খঙনা তৌবা R.O. অমদি Official শিংবুসু থাগৎচরি।

অদুগা লাক্লিবা তাং ৬/৪/২০২২ ইং, য়ুমশকৈশা নুমিৎতা প্রসিদেন্ট অমসুং ভাইস প্রসিদেন্টকী ফমসু দেলিগেট ৩৪৫না খল্লগনি মসিগীদমক্তা ঐখোয় ডাইরেক্টর ৭ (তরেৎ)না শৌগৎচরিবা য়ুম্নাম কুমার অমদি ৱাংখেম ওংবী বৌনিবালা মখোয় অনীবু চানবীয়ু মখোয় অনীদা ভোট পীবীয়ু বেঙ্ককী সেবা ফংহনবীয়ু।

**১. প্রসিদেন্ট - য়ুম্নাম কুমার সিংহ - সে:নং: ২**
**২. ভাইস প্রসিদেন্ট - ৱাংখেম ওংবী বৌনিবলা - সে:নং: ১**

**শৌগৎচরিবা ঃ-**

| | | |
|---|---|---|
| ১. আর কে তোনি | - | Group - B |
| ২. থোকচোম সবনম | - | Group - C |
| ৩. থিঙ্গুজম বীমোল | - | Group - G |
| ৪. য়ুম্নাম কুমার | - | Group - I |
| ৫. মিষ্টর রোক | - | Group - J |
| ৬. ৱাংখেম ওংবী বৌনিবালা | - | Group - K |
| ৭. ৱাংখৈময়ুম সুরজিৎকুমার | - | Group - L |

HL-P/2160/5

**ꯍꯛꯆꯥꯡꯒꯤ ꯑꯅꯥ**/অমাংথোঙদা চাওনা পোমথোরকপা, অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা-নাবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, অমাংথোঙদা মচুম তারকপা, চাবা তুমদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, হকচাংথোঙদা হাক্কৎচবা, হকচাংথোঙদা চাওথোক্লগা নাবা, ফিঙৌগুম্না মনম নমথিবা চৎপা, অমাংথোঙ মনুংদা অপোম্বা লৈবা ফহনবগী ওজা **Zia-Ul-Haque** পু থাগৎচরি।



ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙদা য়াম্না চিকপা নাবা তৌরগা খাঙবা ঙমদবা, চিকপা অদুনা মরম ওইদুনা অহিং ফাওবা তুম্বা য়াদবা, চিকপা অদু ফনবা বেটাদিন লিক্বিদকা ঈশিং অশাবগা য়ানশিন্নরগা ফম্বা মতমদা ঙাইহাক ফরম্লগা অমুক চিকপা হৌরকপা, ঈশিং অশাবা ফম্মন্দনা অমাংথোঙদা নুংঙাইরক্তবা, অমাংথোঙদা চাওনা পোমথোরকপা, অমাংথোঙদা মচুম তারকপা, খোঙ্গ্রাউ অঙৌবা শেৎপা য়াদবা, মচুম তারকপা অদুনা চুবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্বদা মতম কুইনা চঙবা, খোঙ হাম্বা চাং নাইদবনা মরম ওইদুনা লম চৎপা য়াম্না নুংঙাইতবা, অমাংথোঙদা নুংশিৎ তোয়না চৎপা, চাবা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, হকচাংথোংদা হাক্কচিবা, হকচাংথোঙদা চাওথোক্লগা নাবা, ফিঙৌগুম্বা মনম নমথিবা চৎপা, অমাংথোঙ মনুংদা অপোম্বসু লৈবা, খ্বাঙ নাবা, ঙকশম মরী নাবা, নময়াং মরীদা নাবা, শায়েং অনীমক নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবী :* **M. Monika Devi**
Lamlong
HL-B/7498/5

ꯃꯉꯒꯜ ꯇ꯭ꯔꯦꯗꯤꯡ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ

**INTERMEDIATE COURSE OF INDIAN STOCK MARKET**

ELIGIBILITY :- MINIMUM 2 MONTHS TRADING EXPERIENCE

ONLINE COURSE IN MANIPURI LANGUAGE
BATCH STARTING FROM 6TH APRIL 2022

TIMING
8.00 AM TO 09.45 AM
DURATION :- 15 DAYS
LIMITED SEATS AVAILABLE

COURSE FEE RS. ~~7999~~/-
INTRODUCTION OFFER RS. 4999/-
1ST INSTALL MENT- RS.2500/-
2ND INSTALLMENT - RS.2499/-
(AFTER 6 DAYS CLASS)

WHAT WILL YOU LEARN IN INTERMEDIATE LEVEL

WHAT IS OPTION TRADING | OPTION PRICING | WHAT IS PUT & CALL | EXPIRY | WHAT IS CPR | PLOTING OF CPR | MOVING AVERAGE | LIVE MARKET CLASS | TRADE MANAGEMENT | MONEY MANAGEMENT | TRADING PSYCHOLOGY

FEATURES:
RECORDED CLASS VIDEO AVAILABLE FOR 1 MONTH | WEEKLY CHART UPDATE NIFTY & BANK NIFTY FOR 3 MONTHS | LIVE MARKET DISCUSSION ONLINE MODE | CHART READING ADVANCE MODE

COMING SOON OPTION STRATEGIES COURSE

FOR ADMISSION CAN CALL OR WHATSAPP ON +91-7005851073
MANGAL TRADING ACADEMY, KAKWA LILANDO LAMPAK
HL-P/1990/5,6

ꯃꯉꯒꯜ ꯇ꯭ꯔꯦꯗꯤꯡ ꯑꯦꯀꯥꯗꯦꯃꯤ

ONLINE COURSE IN MANIPURI LANGUAGE

**BECOME AN INVESTOR IN INDIAN STOCK MARKET**

MANGAL TRADING ACADEMY
A FRIEND YOU CAN TRUST

8TH BATCH STARTING FROM 6TH APRIL 2022

TIMING
6.00 AM TO 7.30 AM
DURATION - 15 DAYS
LIMITED SEATS AVAILABLE

COURSE FEE - ~~RS.3999/-~~ OFFER RS.2999/-

WHAT WILL YOU LEARN IN FOUNDATION

WHAT IS STOCK MARKET | IPO | BROKER | FOUNDATION OF PRICE ACTION | CHART READING | WHAT IS CANDLESTICK | IDENTIFICATION OF SUPPORT & RESISTANCE | IMPORTANCE OF FINANCIAL STATEMENT | TRADING PSHYCOLOGY | RISK MANAGEMENT | MONEY MANAGEMENT

FEATURES

RECORDED VIDEO AVAILABLE FOR 1 MONTH | STOCK SELECTION SUPPORT | WEEKLY CHART REVIEW SUPPORT FOR 1 YEAR | GUARANTEED RETURN UPTO 15% @ 1 YEAR | REFERRAL BONUS RS.500/- AVAILABLE ONLY FOR ADMITTED STUDENTS

FOR ADMISSION CAN CALL OR WHATSAPP ON +91-7005851073

COMING SOON ADVANCED TECHNICAL ANALYSIS COURSE
MANGAL TRADING ACADEMY
HL-P/1990/1,2,4,5,6


পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।